www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,101
22 Carat/g : ₹ 14,240
1 Kg Silver : ₹ 2,49,900
10 Gram Silver : ₹ 2,380
WEATHER: Partly Cloudy
Temperature 28/23°C
Sunrise: 04:56 AM
Sunset : 05:29 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 271 | IMPHAL, FRIDAY, SEPTEMBER 11, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | ইরাই, থৱানগী ৩০ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

শাওবগী মীৎকুপ অমত্তং খাঙহৌবনা নীংঙমদবা মীৎকুপ কয়াদগী কনবা ঙম্মী

## সি এমগী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লুৱাং কাউদা চৎকদবা সি এম খেমচান্দগী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে। খোঙচৎ অসি ৱার্কিং কম্মিটি জেইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলনা বোইকোট তৌরকখিবনি। কাউন্সিল অসিনা বোইকোট তৌরকপগী থৌওং অদুবু ঙসি লুৱাংকাউ ভিল্লেজ ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কন্দেম তৌরকখ্রে হায়রি।

## গাড়ীশিংদগী শেল খায়বা অমা ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ এ –৬৬ সি আর পি এফনা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ মাইলষ্টোন নম্বর ১১৭দা লাকপা গাড়ীশিংদগী শেল খায়বগী থবক তৌবা সিমরৈঙম সিমরে (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জোসেফ সিমরে কৌবা মীওই অমা ফারে। ফারবা সিমরৈঙম সিমরে হায়রিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## ব্রাউন সুগর কেজি ২.০৪৩ ফংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ এ এন টি এফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, সি আর পি এফ অমদি ৱাই এ দি এ এমগী অপূনবা টিম অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা ইরোং ব্রিদজময়াদগী ব্রাউন সুগরনি চিংনবা পোৎলম কেজি ২.০৪৩ ফংবা ঙমখ্রে।

ব্রাউন সুগরগী পোৎলমশিং অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং তুরেল অহনবী মথক লৈকাইদা লৈবা ...মখা লমায় ৫দা...

## কম্বাইন্দ টিমনা খূৎলায় ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ সি দি ও বিষ্ণুপুর য়াওবা অপুনবা টিম অমনা নম্বোল পি এসনা কোনবা থাংতেক মমাঙ লৈকাইদা লৈবা নোংথোম্বম সিতলজিৎ এলাইজ তোম (৩৫) অপোকপা এন লোকেন্দগী খূৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে।

কম্বাইন্দ টিম অদুনা ফংবা ঙমখ্রবা ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

সেন্টরনা শৌগৎলি হায়দুনা নখোয়না তৌনিংবা তৌবদা নখোয়গী মীচম প্রজাশিং য়াম্না ৱারেদা, নখোয় ৱাখল খন্থৌদা




## হেক্তা হায়জিনবা

### ইয়া য়াজরে

ঐখোয় ইয়া য়াজরে
ৱাংজসনু পোৎকী মমল
ৱাংজসনু অতিয়া পক্লা
লেপচবনি মমল অয়োনবনা
মখোয়গী শেন্দোং লৌরগা
লৈবাক নীংবৈ টেক্স হাপ্লগা
অঙম্বনা লৈসনু
ঙমদবনা তোকসনু
ৱাংজসনু পোৎকী মমল
ৱাংজসনু অতিয়া পক্লা
য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা
উরবসু উশিন্নদ্রবা
খঙলবসু খঙশিন্নদ্রবা
লৈঙাক্লা মথৌ তৌদ্রবা
করিদি তৌরুনি মীয়াম্না
ৱাংজসনু পোৎকী মমল
ৱাংসনু অতিয়া পক্লা
ঐখোয় ইয়া য়াজরে

# য়ু এন সিগী ইকোনোমিক ব্লোকেদঃ পোৎ পুবা গাড়ী ২০ হেন্না কায়খ্রে, দ্রাইভর ৫ রোম শোক্লে

## খুদক্তগী পেট্রোলিয়ম পুবা দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং থাদোকপগী খোঙজং হৌখ্রে

ব্লোকেদনা কান্নবা পুরক্লোই, খোঙজং হন্দোক্লবা লৈঙাক্লা ৱারি শান্নরিঃ স্পোক্স পার্সন





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ নাগা মীচম ৬ হাংখিবগী ৱায়েল ফংহল্লু হায়না য়ুনাইদেট নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)না ঙরাংদগী হৌনা চথরকখিবা নেসনেল হায়ৱে ব্লোকেদ মপূং ফানা চথরি। নোনে দিষ্ট্রিক্টতা লম্বী থীংলম্বা খোঙজং লোইশিংগা সেক্যুরিটিগা মুক্লখ্রে। জিরিবামদগী ইম্ফাল তন্না লাকপ পেট্রোলিয়ম পুবা য়াবা গাড়ী ২০ রোম অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। দ্রাইভর ৫ শোক্লে, খুদক্তগী দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং থাদোকখ্রে।

চহী অসিগী মে ১৩দা লৈলোন ভাইফেদা কুকিশিংনা ফারবা মতুং মীহাৎ থীনা হাৎতোকখ্রবা নাগা ৬কী অচুম্বা ৱায়েল পীয়ু হায়রদুনা নাগাশিংনা হান্না ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা চত্থরম্বা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং হেন্না কনশিনবা ওইনা ঙরাংদগী হৌনা মণিপুরদা লৈবা নেসনেল হায়ৱে খূদিংমক্তা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চত্থবা হৌখিবনি। ব্লোকেদ অসিগী মনুং চন্না ঙসি নুংথিল নোনে বজারদা খোঙজংলোইশিংনা লম্বীদা মৈ থাদুনা গাড়ী অচৎ অওকশিং থীংজিনখি। লোয়ননা সেক্যুরিটিনা ঙাক্লগা পুরকপা গাড়ীশিংদা নুঙনচিংবা থোমজিন্দুনা অকায় অতোয় থোকহনখি। মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্লবগী থৌদোকসু থোকখি। ইকোনোমিক ব্লোকেদ অদুনা মরম ওইরগা ইম্ফাল য়ৌরকপা মরু ওইনা পেট্রোলিয়ম পুবা গাড়ী ২০ রোম অকায় অতোয় থোকখি। অদুগা দ্রাইভর ৫ রোম্না অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরগী পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং পুবা দ্রাইভরশিংনা খুদক্তগী ষ্টিয়ারিং থাদোকপগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

# জে এফ দিনা ঙসিদগী লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক কাবা থীংজিল্লগনি

## মীয়ামগী রাইটস শোক্কদবা খোঙজং চঙশিনবীগনুঃ রাধেশ্যাম

থোক্লকপা অফ–ফত্তগী তেকচাক সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা পুগদবনিঃ জে এফ দি




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ জে এফ দিনা ঙসিদগী লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক কাবা থীংজিনখ্রে। থোক্লকপা অফ–ফত্তগী তেকচাক সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা লৈঙাক্লা সেন্টরদা তকশিনবা লেপত্রি, মীয়ামগী রাইটস শোক্কদবা, অকায় অতোয় পীবা য়াবা খোঙজংশিং চঙশিনবীগনু হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোই থোকচোম রাধেশ্যাম এম এল এনা আপিল তৌরক্লি।

থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌনবা সেন্টরদা তকশিল্লু হায়খিবা মীয়ামগী ৱারেপ থবক্তা ওন্থোরক্তবনা ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘ওজাশিংদা পুবা থাংবা ঙমদবা দিমান্দ তৌবিগনু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ স্কুল অমদি ওজাশিংদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দ তৌবিগনু। এজুকেসন ফ্রি জোন ওইহনবিয়ু। শান্তি ওইনা মহৈরোই লাইরিক তমহনবীয়ু হায়দুনা তেরাদা লৈবা কেবোল হায় স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ঙসি শগোলবন্দ তেরাদা লৈবা কেবোল হায় স্কুলগী গেটতা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা ৱাকৎ মীফম অদু চথখিবনি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী ওজা নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, ওজাশিংদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দ তৌশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা ওজাশিংনা স্কুলদা লাক্লগা পূক্লিং চঙনা মহৈরোইশিংদা লাইরিক তাকপীবা ঙমদ্রে। মরমসিনা এজুকেসনবু ফ্রি জোন ওইহন্দুনা অসিগুম্বা দিমান্দ অসি হন্দোকপীদুনা মহৈরোইশিংবু পূক্লিং চঙনা মহৈ তমহনবা ঙমহনবীয়ু হায়না মহাক্লা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি।

# অনৌবা পোষ্ট ২,৭২০ লৌনবা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে, হান্নগী হায়দোক্তবশিং রিভিয়ু তৌরিঃ রাধেশ্যাম



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ মণিপুর পুলিস অমসুং আই আর বিগী হাঙদুনা লৈরিবা পোষ্ট ২৭২০ মেনশিন্নবা মণিপুর কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। হান্না কৌখিবা হায়দোক্ত্রিবা থবকশিং মণিপুর লৈঙাক্লা রিভিয়ু তৌরি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোই থোকচোম রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগী হৌরগা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মিটিংদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মতাংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোই থোকচোম রাধেশ্যাম এম এল এনা হায়, ঙসি ফমখিবা কেবিনেট মীফমদা এজেন্দা ৪ পুখৎতুনা খন্নখে। এজেন্দাশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা এজেন্দা অমা ওইনা মণিপুর পুলিস অমসুং ...মখা লমায় ৫দা...

# তোখায়বা লৈঙাক পীয়ু হায়না অমুক্কসু ফোঙদোরকখ্রে এনআরসি তৌদ্রিঙৈ সেন্সস হান্না তৌ হায়নসু তকশিল্লক্লি

কুকি জো সূ গ্রুপশিংগী দিমান্দঃ

- লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীবা।
- এন আর সি তৌদ্রিঙৈ সেন্সস হান্না তৌবা।
- তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেসন পীবা।
- নুপী ভিক্টিমশিংগী জষ্টিস পীবা।
- কুকি জো ফুরুপপু ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্ট হায়বা তোকপা।
- হন্থনা য়েংবা তোকপা।
- কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ভিক্টিমশিং য়েংশিনবা।
- সূ কেদরশিংদা হরাসমেন্ট পীদবা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ লেজিসলেচর য়াওবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীবা, এন আর সি তৌদ্রিঙৈ সেন্সস হান্না তৌগদবনি, কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী মমাঙদা লৈরম্বগুম অমুক হন্না লৈবা ওইথোক্লোই হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন ‘সূ’ চৎনরিবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)না ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদগী খুৎলায় পায়বা লালহৌলুপ অনী অসিনা পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা থোকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী পোলিটিকেল অমসুং গ্রাউন্দদা লৈরিবা ফিভম অহোংবা অমা লাকখ্রে। মীওই কয়া লাঞ্জেন্নখিবা অমসুং ফুরুপ অনীগী মরক্তা তোখায় তোখায় তান্নখিবা অসিনা মতম শাংনা থাজনদবা অমসুং অমনা অমগী মরক্তা লৈবদা শাফনা লৈরোইদবা মরন্না মে ৩গী মমাঙদা লৈরম্বা ফিভমদা অমুক হঞ্জিল্লকপা অসি ওইথোক্লরোইদবা ৱাফমনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## তপতাগী নো এন আর সি নো সেন্সস ঈশৈ পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা তপতাগী নো এন আর সি, নো সেন্সস হায়বা ঈশৈ ঙসি নারানসৈনাদা লৈবা শৈশকপা অসিগী য়ুমদা পুথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা নো এন আর সি অপদেসন, নো সেন্সসকী ম্যুজিকেল কেম্পেন্যনগী ফ্লেগ ওফ তৌবগী থৌরমসু হৌদোকখ্রে। নরানসৈনাদা লৈবা তপতাগী য়ূমদা টাইফুম অমসুং ১৪ সি এস ও কংলৈপাকনা শিন্দুনা য়াম্না চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ১৪ সি এস ও ...মখা লমায় ৫দা...

## পোল্ল্যুসন হন্থহনবদা পূন্নমক্কী পুন্সি মহিং শেমদোকপা চঙইঃ হেল্থ দিরেক্টর



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ পোল্ল্যুসন হন্থহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক্কী পুন্সি মহিং শেমদোকপা চঙই। নুংশিৎ য়াওদনা থৱায় পানবশিং হীংবা ঙল্লোই হায়বসি খঙমিন্নবা চুম্মি হায়না মণিপুরগী হেল্থ দিরেক্টর ডা. নোংথোম্বম হেমন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ সার্ভিসেস দিরেক্টোরেট ...মখা লমায় ৫দা...

## হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসকী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকদবনিঃ হরেশ্বর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ নাগা মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মণিপুর পুলিসকী কনষ্টেবল থাঙ্গিলিয়ান ভাইফে চেন্নরমদবদগী মহাক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎখিদবনি হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হাউসতা অরানবা ৱাফম থমখিবা অদুগী মথক্তা রুলস ওফ প্রোসিদিং এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী মখাদা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎফম থোকই হায়না মণিপুর প্রদেশ ...মখা লমায় ৫দা...

## হ্যুমেন ট্রাফিকিং চত্থরব্রা হায়বগী চীংনবা লৈরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিদা য়াম্না লোন্না থুপ্না হ্যুমেন ট্রাফিকিংগী থবক চত্থরব্রা হায়বগী চীংনবা লৈরে। ঙসি অহিং চাওরাক্লা পুং ১.৩০ রোম তারকপা মতমদা সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর মশা য়াওনা ইম্ফালগী ওভরব্রিজগী মনাক নক্লা লৈবা মফম অমদা হ্যুমেন ট্রাফিকিংদা চেন্নবা মমা মচা য়াওনা পুন্না নুপী ৪ ফাবা ঙমখিবনি। লোয়ননা অমনা কনবা ঙমহৌখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা সোসিয়েল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা য়াম্না কুপ্না থীজিনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

## পি এম শ্রী জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয় উখ্রুলনা নেসনেল ৱিনর ওইরকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ২৭শুবা নেসনেল য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট কম্পিটিসন ২০২৫–২৬তা পি এম শ্রী জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয় উখ্রুল–১ মণিপুর (শিলোং রিজন)না নেসনেল ৱিনর ওইখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সকী পার্লিয়ামেন্ট লাইব্রেরি বিল্ডিংদা লৈবা জি এম সি বালাযোগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা নেসনেল য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট কম্পিটিসন ২০২৫–২৬কী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ...মখা লমায় ৫দা...

## সিএম খেমচান্দনা বিক্রমগী ইমুং–মনুংদা জষ্টিশ ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ন্যু দিল্লিদা থোকপা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা ম্যুজিসিয়ান চোংথাম বিক্রমগী ইমুং মনুংগা হকথেংননা উন্নদুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মীশি অসিগী চপ চাবা জষ্টিশ ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে।

থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকাইদা লৈবা বিক্রমগী য়ুমদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ...মখা লমায় ৫দা...

## নেসনেল লোক অদালট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ সেপ্টেম্বর ১২গী অয়ুক পুং ১০দগী হৌদুনা লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা তোঙান–তোঙানবা বেঞ্চ অহুম লৈদুনা চৎলিবা চহী অসিগী ৩শুবা নেসনেল লোক অদালট পাঙথোক্কদৌরি।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুম্না খূৎয়েক পীদুনা থোকপা নোটিফিকেসন চেরোল ...মখা লমায় ৫দা...

## শকখঙদবশিংনা সিআরপিএফতা কাপশিল্লম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা খোঙহাম্পাৎদা পেট্রোলিং চৎলিবা সি আর পি এফকী পর্সোনেলশিংদা মখোঙ মরি পানবা গাড়ীদা তোংদুনা লাকপা শকখঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লমখ্রে। থৌদোক অদুদা অশোক অপন য়াওবদি লৈখিদে। পাউ অদু হেক ফংবগা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে হায়রি।

## লোগী ৱাংমদা সার্টিফিকেট পীরব্রা হায়বগী চীংনবা পোকহল্লেঃ এম এম টি য়ু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা এস দি ও অমদি এস দি সি ওফিসশিংদা কনাগুম্বা মীওই খরগা ওফিসিয়েলশিংগা মান্নরগা লোগী ৱাংমদা বার্থ সার্টিফিকেট অমদি রেসিদেন্সিয়েল সার্টিফিকেট পীরব্রা হায়বগী চীংনবা পোকহল্লে। কুমজা ২০১৯দা নন লোকেলশিংদা পীরিবা এস টি সার্টিফিকেট অমদি জোব কার্দ হৌজিক ফাওবা করিগী ককথৎতনা থল্লিবনো হায়না মীতৈ /মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু)না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন তখেল্লম্বম পরিজাৎ মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা নন লোকেল ৭৬তা এস টি সার্টিফিকেট পীদুনা জোব কার্দ পায়হন্দুনা লৈরি হায়বসিনা তাকপদি হৌজিক মণিপুরদা চৎনরিবা আই এল পি সিষ্টেম অসি ফেল ওইরে অমদি মীতোপ ...মখা লমায় ৫দা...

## অৱাং নোংপোক্কী লৈরিবা নোদেল ওফিসারশিং মপাঙ্গল কনখৎনবা সেন্টর লৈঙাক্লা থবক লৌখৎলক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ তোঙান তোঙানবা মেত্রোপোলিটান সিটিশিংদা লৈরিবা অৱাং নোংপোক মীয়াম্না থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা ইসুশিং য়েংশিন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থল্লিবা নোদেল ওফিসার শিংগী মেকানিজম মপাঙ্গল নৌনা হেনগৎহনবদা নত্তনা অতোপ্পা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না মশীং য়াম্না লৈবা ষ্টেটশিংদা নৌনা নোদেল ওফিসার থম্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মায়কৈদগী থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না থেংনরিবা দিসক্রিমিনেসন, হরাসমেন্ট, ভাইওলেন্স অমদি তোঙান তোঙানবা ইসুশিং খুদক্তা য়েংশিন্দুনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎননবগীদমক অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম মশীং য়াম্না লৈবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা নোদেল ওফিসারশিং থম্ননবা মরী লৈনবা চীফ সেক্রেটরী অমদি দি জি পিশিংদা মিনিষ্ট্রি ...মখা লমায় ৫দা...

## শীজদা ৱাৰ্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ ‘চেঞ্জিং দ নেরেটিভ ওন সুইসাইদঃ ৱিথ দ কোল টু এক্সন, ষ্টার্ট দ কনভর্সেসন’ হায়বা থিমদা ৱাৰ্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দেগী থৌরম ঙসি শীজ হোস্পিটালনা ইন্দিয়ান সাইক্যাত্রি সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকা খূৎশম্ননা শীন্দুনা হোস্পিটাল অসিগী জে এস ওদিটোরিয়ম, ইতোচা ব্লোকতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এদুকেসন (এস) গী কম্মিস্নার নিংথৌজম ...মখা লমায় ৫দা...

## দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিএল সর্ভিসেসনা পান্থৈ অহুম পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ ফাইনান্সিএল সর্ভিসেসনা গ্লোবেল ফিনটেক ফেষ্ট ২০২৬তা ইন্দিয়াগী ফাইনান্সিএলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা দিজিটেল বেঙ্কিং হেনগৎহন্নবা, ফোর্মেল ক্রেদিদ অমদি কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা শেল ফংহন্নবগীদমক পান্থৈ অহুম পুথোকখ্রে।

ফেষ্টকী থৌরম অদুগী মনুংচন্না দি এফ এসকী সেক্রেটরি সঞ্জয় লোহিয়ানা ...মখা লমায় ৫দা...

# মণিপুরদা লৈরিবা নেস্নেল হায়ৱে শেমজিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈদা নেস্নেল হায়ৱে খূদিংমক্তা উপাল ৱাপাল শংনা থমগদবনি হায়রকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা লৈরিবা নেস্নেল হায়ৱে অনীগী ফিভম শেমজিনবা ঙমদনা ওন্থোকপা ফিভম অমদা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা নেস্নেল হায়ৱে খূদিংমক্কী নাক–য়েৎ অমদি দিভাইদরদা উপাল–ৱাপাল থাদুনা শংনা থমগদবনি হায়না এন ঐচ এ আইনা ফোঙদোরকখ্রে।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা নেস্নেল হায়ৱেশিং পূন্নমক্তা য়ামদ্রবদা চাদ ৮০ উপাল থাগদবনি। লোয়ননা নেস্নেল হায়ৱেশিংগী নাক–য়েৎতা অমদি দিভাইদরদা থাগদৌরিবা উপালশিং অসি শুপ্নগী থাবা খক্তা নত্তনা চাদ ৯০ দি হিংহনগদবনি। উ চারা থারবা মতুংদা কয়া য়াম্না থাখ্রবা উ থারিবা মীওইশিংনা ঙসি ফাওবা থৌওইদনা লাকখিবনি। অদুবু গাইদ লাইন অসিগী মতুং ইন্নদি থাখ্রবা উপালশিং হিংলি অমদি শিখ্রে হায়বা পান্থীশিং অদু চান্মদা ৯০ দি হিংহনগদবনি হায়রি।

এন ঐচ এ আইগী মায়কৈদগী থোক্লকখিবা গাইদ লাইন অদুগী মতুং ইন্না ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি, মরাল লৈবশিং চৈরাক পীগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৬ অমদি ৭কী লোন্নবা অহিংদা দিল্লিদা মীওই খরনা ফুবদগী লৈখিদ্রবা চোংথাম বিক্রমগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা অমদি মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিনগনি হায়না ওল মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক)কী প্রসিদেন্ট এসঐচ নবচন্দ্র শর্ম্মানা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা চোংথাম বিক্রমগী ইমুং মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা অম্মিক্কী সেনিয়র আর্টিষ্ট অমদি মেম্বরশিংনসু শরুক য়াখ্রে। ঙসি অম্মিক্কী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরী য়াওনা লৈখিদ্রবা চোংথাম বিক্রমগী থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকাইদা লৈবা য়ূমদা লূপ অসিগী সেনিয়র আর্টিষ্ট অমদি মেম্বরশিংনা চত্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা ঈশ্বরদা থৌনীখি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা–লংজিন ফংনবা অমদি মরাল লৈবশিং ...মখা লমায় ৫দা...

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 8787846223 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ–পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

# ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌদুনা ন্যু দিল্লিদা ব্রিক্স সম্মিটকী মীফম পাঙথোক্লগনি

## চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়ারগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিটতা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিং লাক্তুনা শরুক য়ারগনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিদা প্রসিদেন্ট সি জিনপিং শরুক য়াগদৌরিব্রা নৎত্রগা য়ারোইদৌরিব্রা হায়বা খঙদনা লাকখিবা অদু চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থোকপা ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা শুংশোয় শোয়দনা ব্রিক্স সম্মিটতা প্রসিদেন্ট সি জিনপিং শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইনভাইটেসন পীরকপগী মতুং ইন্না ন্যু দিল্লিদা চথ্থগদৌরিবা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিটকী নীনি অমদি হুন্নি চনবা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট সি জিনপিং শোয়দনা শরুক য়ারগনি হায়না খঙহল্লকখিবনি।

হৌখিবা চহী ২০২০দা গলৱান ভেলি বোর্দরদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা ইন্দিয়াগী মীওই ২০ লৈখিদ্রবা থৌদোক অদুগী মতুং চহী ৭কী মতুংদা প্রসিদেন্ট জি জিনপিং ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা লাক্তুনা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়াগদবনি হায়রি।

## সেক্যুরিটিগী অহোবা লৈতনবা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৭,০০০ দিপ্লোয় তৌদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): হয়েঙদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৩ ফাওবা নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিটতা সেক্যুরিটিগী ওইবা অহোবা অমত্তা লৈতনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মরোল কয়া নাইবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা চথ্থগদৌরিবা অৱাংবা থাক্কী সম্মিট অসিদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা দিলিগেট অমদি দিগ্নিটরি কয়ানা লাক্তুনা শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৭,০০০ হেন্না দিপ্লোয় তৌদুনা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবগা ঈরোইন্না লুচিংবশিংনা চথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীদনবা খোঙথাং ওইনা ট্রাফিক পুলিস ৪,৮০০সু দিপ্লোয় তৌদুনা ট্রাফিক মেনেজমেন্টগী থবক মাঙজৌনন্না লৌখৎপা হৌখ্রে।

সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৭,০০০ অমদি ট্রাফিক পুলিস ৪,৮০০ হেনবনা ন্যু দিল্লি শিনবা থুংনা কাংলোন কয়া নাইবা সেক্যুরিটিগী মিজর লৌখৎতুনা ব্রিক্স সম্মিটতা সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা অহোবা অমত্তা লৈতনবা লৌখৎখিবা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না ভি ভি আই পিশিংনা এয়ারপোর্টতগী হোটেল ফাওবা, হোটেলদগী ব্রিক্স সম্মিট পাঙথোক্কদৌরিবা ভারত মন্দপম ফাওবগী মরক্তা চথোক চৎশিন তৌবগী মুভমেন্ট মশিং য়াল্লবা সি সি টিভি কেমেরানা মোনিটর তৌগনি। অসিদা নৎতনা লৈখা অমদি নোংথক্কী লম্বীদসু সেক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অহেনবা সেক্যুরিটি মিজরশিং লৌখৎকনি।

সম্মিট পাঙথোক্লিঙৈ ভি ভি আই পিশিংনা মুভমেন্ট তৌবদা তঙাইফদনা থেংনগদবা মরুওইবা দাইভরসন ২২ অমসুং তোঙান তোঙানবা লম্বী ৩৫,দা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীগদৌরি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হয়েঙদগী চথ্থগদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিদা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোক্তনবা থা কয়াগী মমাঙদগী মরীলৈনবা ওথোরিটিনা তোঙান তোঙানবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎখিবা হৌখ্রে। ভারত মন্দপম কোনাওত প্লেস, খান মার্কেট অমদি অতৈ মরুওইবা লোকেসন কয়াদা ব্রিক্সকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা বেনর অমদি পোষ্টর কয়া থেৎপদা নৎতনা মচু-মমেন কয়ানা থল্লবা লৈতেংগী মৈঙান কয়া থান্দুনা অকে অমৌগী থবকসু লেপ্তুনা লৌখৎতুনা লাক্লি।

তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সম্মিট অসিদা অকে-অমৌগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎপদা নৎতনা নেসনেল সেক্যুরিটি গার্দ, ইন্টেলিজেন্স ব্যুরো, স্পিসিয়েল প্রোটেক্সন গ্রুপ অমদি তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনসু সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎতুনা লাক্লিবনি।

## 'ইনভাইটেসন পীরক্তুনা করন্না বঙ্গলাদেশকী পি এমনা শরুক য়াগনি'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি):

বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর তরিক রেহমন মালেমগী তোঙান তোঙানবা মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়াররোই। বিক্স সম্মিটতা শরুক য়ানবা মথৌতাবা ইনভাইটেসন পীরকপা লৈতে হায়না বঙ্গলাদেশ লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বঙ্গলাদেশকী ষ্টেট মিনিষ্টর ফোর ফোরেন এফিয়ারস হুমায়ুন কোবিরনা হায়, ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিদা বঙ্গলাদেশ লৈঙাক্কী মকোকথোংবা রিপ্রজেন্টেটিব থাদুনা শরুক য়ানবগী থৌরাং তৌরম্মি। অদুবু সম্মিট অসিদা শরুক য়াননবা বঙ্গলাদেশ লৈঙাক্তা ইনভাইটেসন পীরকপা তৌদনা মতৌ করন্না ব্রিক্স সম্মিট অসিদা বঙ্গলাদেশকী রিপ্রজেন্টেটিবশিং শরুক য়াগদৌরিবনো।

বঙ্গলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টরবু ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়ানবগীদমক কনানা ইনভাইটেসন পীরকখি হায়না খঙহল্লকপগে হায়না অহোইনদুম হুমায়ুন কোবিরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি বঙ্গলাদেশতা অনৌবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা য়ূমথংনবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়াগা লৈরিবা মরী অসি চেৎশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি।

## এম সি দিনা আইন কায়না শাজিল্লম্বা বিল্ডিং কয়া থুগায়বগী থবক চথখ্রে


ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি):

ন্যু দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি (এম সি দি)না বিল্ডিং বাইলো ঙাক্তনা আইন কায়না শাজিলম্বা বিল্ডিং কয়া থুগায়বগা লোয়ননা প্রাইভেট প্রোপর্টি কয়া সিল তৌবগী থবক চথবা হৌখ্রে।

এম সি দিনা চথখিবা দ্রাইফ অদুদা আইন কায়না শাজিলম্বা বিল্ডিং ৪১ থুগায়বতা নৎতনা প্রোপর্টি ৬১সু সিল তৌদুনা থমজিনখ্রে। ন্যু দিল্লিগী খুরেজিখাস, জগৎ পুরি, লক্সমনগর, পসিমপুরি, মাদিপুর, শুভাস নগর, বিপিন গার্দেন বকরৱালা, নংলিবিহার, নিহাল বিহারনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এম সি দিনা নোংমা চুপ্পা অকনবা মওংদা দ্রাইব চথখিবনি।

আইন কায়না কনষ্ট্রকসন তৌরম্বশিং থুগায়বগী থবক চথবতা নৎতনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা পি জি কয়সু এম সি দিনা সর্ভে তৌখ্রে।

এম সি দিগী সর্ভেগী মতুং ইন্না ন্যু দিল্লিদা পি জি ফেসিলিটি য়াওবা পূন্না বিল্ডিং ১,৩৫৫ লৈ। হায়রিবা অপূনবা বিল্ডিংশিং অসিগী পি জি দা মীওই ২৭,০০০ রোম লৈ। এম সি দিগী মাইকৈদগী হায়রিবা পি জি ফেসিলিটি য়াওরিবা বিল্ডিংশিং অদু বাইলো ঙাক্না শেমগৎ শাগৎপা বিল্ডিং অমরা হায়বা অদুসু মখা তানা য়েংশিনগনি হায়রি।



Crossword # 1141

Across
1. Not much
5. Abates
9. Doc Holliday friend
13. Place with a code
14. Bull or buck
15. Welcoming New York island
16. Meat purchase
17. Victorian
18. Dolphin locale
19. Nutty idea?
22. Exploit
23. Large brewer
24. Sacrificial spots
27. Famed Florentine family
29. Opposed
31. Flowery adornment
32. Salon delivery
35. Hurl
38. Peck at
39. Acorn suppliers
40. Cagey folks?
45. Follower of Santa?
46. Still pink
47. Afternoon snooze
51. Make as good as new
53. "Ain't ___ Sweet"
54. Well-known hat wearer
55. Inuit, perhaps
59. Just right
61. Stop!
62. Encourage
63. Stale-smelling
64. Yellow brick road follower
65. Buds
66. Fountain of jazz
67. Boozers
68. Assist in shenanigans

Down
1. Bath powder
2. Stir up
3. Ready for a cold takeoff
4. Plummeted
5. Shopping marts
6. Mr. von Trapp was one
7. Radar notation
8. Big rig
9. "Ash Wednesday" poet
10. Pierce portrayer
11. Grand Canyon viewpoint
12. Omega preceder
15. "The Mighty Ducks" star Estevez
20. Smart remark?
21. Group with hdqrs. in Belgium
25. Big stink
26. Letter addressees
28. Analogy phrase
29. Speedily
30. Response to the Little Red Hen
33. Israeli prime minister during the Yom Kippur War
34. Kennedy matriarch
35. Romanov ruler
36. Top-notch
37. With the most lather
41. Ruffled
42. Gambler's card game
43. Containers for every litter bit
44. In ___ of
48. Brightly colored beetle
49. Snarl
50. Certify to be true
52. Marble material
53. Move speedily
56. Some rat catchers
57. Part of the Northwest Territory
58. Butterfly stage
59. Little rascal
60. Owed

পাউখুম লমায় ৭দা ...

## ইন্টরনেসনেল লোদা য়ূমফম ওইরগা সেফ অমসুং সষ্টেনেবল স্পেস দোমেনদা ইন্দিয়ানা শৌগৎলি: মোদি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি):

ইন্টরনেসনেল লোদা য়ূমফম ওইরগা ইন্দিয়ানা সেফ এন্দ সষ্টেনেবল ওইবা স্পেস দোমেনদা শৌগৎলি। স্পেসতা তোঙান তোঙানবা এক্সপিরিমেন্ট তৌবা মপান নাইদে। অদুবু মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না স্পেসপু ঙাক শেন্দুনা থন্বা হায়বা অসি পূন্নমক্কী তঙাইফদ্রবা খোঙথাং অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

পেরিষ্টতা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল স্পেস সম্মিটতা ওনলাইনগী খূৎথাংদা শরুক য়ারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্টরনেসনেল স্পেস সম্মিটকী থৌরম অদুদা ওনলাইনগী খূৎথাংদা শরুক য়ারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, মালেমগী ওইনা লৈরিবা ইন্টরনেসনেললোগী মখাদা স্পেসপু সেফ অমদি সষ্টেনেবল দোমেন ওইনা থন্বদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শৌগৎলি। স্পেসকা মরীলৈনবা সাইন্টিফিক দাটা অসি মালেমদা লৈরিবা লৈবাক পূন্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা কম্মন গোল ওইনা থমগদবনি। হায়রিবা চৎন কাংলোন অসিগী মখাদা ইন্দিয়ানা স্পেসকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

বসুধ্যবা কুতুমবকম-ৱান আর্থ, ৱান ফেমিলি, ৱান ফ্যুচর হায়বা লিক্লম অসিদা ইন্দিয়ানা ঙাক্না চৎলি। স্পেসকা মরীলৈনবা থবক থৌরম চথবা য়াবগী অয়াবা মপান নাইদে। অদুবু স্পেসপু কায়হন্দনা থন্বা হায়বা অসি ঐখোয় পূন্নমক্কী পান্দম ওইগদবনি। পান্দম অসিগী মখাদা ইন্দিয়ান সাইন্টিষ্ট, ইঞ্জিনিয়ার অমদি টেক্নিসিয়ান কয়ানা অহিং নুংথিল খাক্তনা থবক তৌই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ভুত শান্নে হায়দুনা নুপী অমবু হাৎপগী মরালদা মীওই ৬ মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

কামরুপ, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ১৯৯৫তা অসামগী কামরুপ দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ৮০ শুরবী অহল ওইরবী নুপী অবসু ভুত শান্নে হায়বগী মরালদা হাৎতোকপীখিবগী কেসকা মরী লৈননা মীওই ৬ মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা লাউথোক্তুনা মপুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

রঙ্গিয়া এদিসনেল সেসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট জজ কোর্টনা মারিয়া বোরো কৌবী নুপী অমা হাৎখিবগী মরালদা মীওই ৬ অদু মপুন্সিচুপ্পগী জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি।

মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মীওইশিং অদুদি সোনেস্বর বোরা, জঙ্গল বোরা, সুরশ বোরা, কন্দুরা বোরা, হরেশ্বর বোরা অমদি ধানলা বোরা কৌই। হায়রিবা মীওই ৬ অদু ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১৪৭, ১৪৮, ১৪৯, ৩০২, ৪৪৮ অমদি ২০১গী মখাদা মপুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক কোর্টনা পীখবনি।


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Bashikhong, Imphal East**

*Mutation Case No. 275/SDC/B/IE of 2026 Dt. 10/09/2026*

Waikhom Bishworjit Meetei S/O Late W. Budha Singh of Kyamgei Mayai Leikai. *- Petitioner*

***-Verses-***

Waikhom Ningthemjao Singh S/O Late Ningthoujao Singh of Kyamgei. ***-O. P.***

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

*Bashikhong, the 10th, Sept, 2026*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং 68-Kyamgei পাট্টা নং 681 অনৌবা দাগ নং 408 মোট এরিয়া 0.420000 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Waikhom Ningthemjao Singh S/O Late Ningthoujao Singh of Kyamgei দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারী অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোটকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,Bashikhong
Imphal East

SL/Mei/11

In The Court of The Sub-Deputy Collector, Salam

*Ref. :- Mutation Case No. 237/SDC/IW(S) Dated 19/09/2026*

1) Khundrakpam Gandha Singh S/O (L) Kulla Singh of Ngairangbam Makha Leikai.
2) Khundrakpa Herojit singh S/O Gandha Singh of Ngairangbam Makha Leikai.
3) Khundrakpam Ingobi Singh S/O (L) Kulla Singh of Ngairangbam Makha Leikai.
4) Khundrakpam Sanjit Singh S/O Gandha Singh of Ngairangbam Makha Maning Leikai.
5) Khundrakpam Gambhir Singh S/O Boyai Singh of Ngairangbam Makha Maning Leikai. -Petitioners

-VS-

Late Khundrakpam Kulla Singh S/O(L) Podo Singh of Ngairangbam. -Opposition Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

*Salam, the 10th, September, 2026*

Under Section 46 (3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner শিংনা Salam তাহশিলগী খুল নং 78-Ngairangbam গী অনৌবা পাট্টা নং 854 (New) দাগ নং 1669 এরিয়া 0.49 একর চাওবা *অঙনফৌ ইংখোল* অসিগী পাট্টাদার Late Khundrakpa Kulla Singh পীং (L) Podo Singh সাং Ngairangbam অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মীং ককথৎপিরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মরম অদুনা *ইংখোল* অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগকী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনগদবনি। মথক্তা পিরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপ্তি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Salam, Imphal West

SL/Mei/11


## চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু ওনলাইন এক্সপ্লোয়টেসনদগী ঙাক্তুনা থন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা লৈঙাক্তা নোটিস থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি):

